**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23.6.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা শান্তি অমসুং মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিহল্লু হায়বা দাবী তকশিন্দুনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাদা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

২) জিরিবামদা হিংশা থোরকপদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং মণিপুর সরকারনা অথুবা মতমদা ময়ুম মকৈ শাবীদুনা মশা মশাগী য়ুমদা লৈহনবীনবা তকশিল্লি।

৩) মণিপুর পুলিস, বি.এস.এফ অমসুং অসাম রাইফলসনা ঙসি ককচিং অমসুং থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

৪) ১৮ শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফম হয়েংদগী হৌরগনি।

অমসুং

৫) নিট য়ু.জি. একজামিনেসনদা ক্বেসন লিক ওইখি হায়বগী মতাংদা সি.বি.আইনা এফ.আই.আর অমা রেজিষ্টর তৌদুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

------

রেল্লি (এল)ঃ মণিপুরদা শান্তি অমসুং মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিহল্লু হায়বা দাবী তকশিন্দুনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাদা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমী আর.কে. মণিপুরসনানা হায়- ঙসিগী মীয়ামগী খোঙচৎ অদু বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা কোঙচৎ অমনি অমসুং

খোঙচৎ অদু য়ামা গনতন্ত্রিক ওইবা মওংদা চৎখি। মীয়ামগী খোল্লাউ পুবা খোঙচৎ হায়না মীংথোনবা, মণিপুর চনুরা লুপ (মচল) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা শিনবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদু ঙসি নুংথিল পুং ১ অদুৱাইদা মুক্তা হায়র সেকেন্দরি স্কুল, মোইরাংদগী হৌরগা কিলোমিতর মরিরোম শাংনা চৎলবা মতুংদা নিলামনি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লোইশিনখি। খোঙচৎ অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা মীওই কয়া শরুক য়াখি। তুংদা, মীয়ামগী মীফম অমা নিলামনি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি। মীফম অদুনা মচোই মচোই তারিবা মীয়াম পুনশিন্নবা ৱাখল মান্নবা অমসুং মীৎয়েং মান্নবা লুপশিং অমদি মীয়াম পুনশিন্দুনা অপুনবা লুপতিন অমা শেন্বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ অহুম লৌখি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবামদা হিংশা থোরকপদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং মণিপুর সরকারনা অথুবা মতমদা ময়ুম মকৈ শাবীদুনা মশা মশাগী য়ুমদা লৈহনবীনবা মণিপুরী চনুরা খোর্জে লুপ কছারনা সরকারগী পুকিং চিংশিল্লি।

ঙসি জিরিবামগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লাঞ্জেন্নদুনা লৈবা মীয়ামদা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপা লাকপদা মণিপুরী চনুরা খোর্জে লুপ কছারগী প্রসিদেন্ট সৌবাম ওংবী জয়েন্তিনা হায়- মুখ্য মন্ত্রিনা লমদম অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকপা হৌরে হায়রবসু ইরাংনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নরক্তুনা লৈরিবশিংদি ঙসি ফাওবা মশা মশাগী য়ুমদা হঞ্জিনবা ঙমদ্রি। মসিমক্তি য়ামা লাইবক থিবনি।

মরক অসিদা, জিরিবামদগী জিরি-তিপাইমুক রোদতা কিলোমিতর ২৮ রোম চৎলগা লৈবা বোরোবেক্রা সব-দিভিজনগী গোৱাখালদা লৈবা ওর্গনিক ফার্ম অমদা ঙসি নোংঙালমদাই পুং ৩ মুক তাবদা মশক খঙদবশিংনা শক্তি লৈরবা বোম অমা পোখায়হন্দুনা চাওনা অমাং অতা থোকহনখ্রে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙান্থেম বিস্বাজিৎনা হায়- বোম অদুনা ফার্ম অনিদা চাওনা অমাং অতা থোকহনখি। অদুমকপু মীশি মীনাদি য়াওখিদে। বোম পোকখায়বা অদুদা লুপা লাখ কয়ামরুমগী পোৎলমশিং অমদি নৌনা শাগৎপা গেস্ত হাউস অমাং অতা থোকখ্রে।

শ্যাম(ল)ঃ লংথবাল কেন্দ্রগী এম.এল.এ. করাম শ্যামনা হায়রি- মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পুন্সিনদুনা হোৎনমীন্নবা মতম ওইরে। অমগা অমগা মরাল শিনদুনা, হুন্নদুনা লৈবনা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমলোই।

এম.এল.এ- লোকেল এরিয়া দিব্লবমেন্ট ফন্দদগী করামদা নৌনা শাবা মাইবা অমসুং মাইবীগী শঙলেন, নৌনা শেমগৎপা শান্নবুং অমসুং কম্যুনিতি হোল অমা ঙসি শঙ্গাবগী থৌরমদা শ্রী শ্যামনা হায়- মশাগী মরমদম অমসুং মখুল ঙাকচরিবা মীওইশিংবু ঐখোয়না পুকিং থৌগৎপীফম থোকই। ঙমখৈ কায়বা য়ারোই অমদি ইচা-ইশুশিং ফাবা য়ারোই হায়না অহিং য়ারেক্তুনা হোৎনরিবী ইমা-ইবেলশিংগী থৌদাংবুসু থাগৎনিঙাইনি হায়খি। রোংমৈ ফুরুপনা হন্দক্তা জিরি লম্বীদা অয়েৎ অপন য়াওদনা গড়ি চৎথোক চৎশিন তৌহন্নবা হোৎনবদা লৌখিবা থৌদাংবুসু শ্রী শ্যামনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

পাঙল (এল)ঃ মঙারক শুবা মৈতৈ পাঙল খুন্থোক নুমিৎ নিংশিং থৌরম ঙসি লিলোং হাওরৈবী মখা লৈকাইদা লৈবা ইস্লামিক কলচরেল রিছার্স ওর্গনাইজেসনগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মাইপাক নিংথৌ কমিতিগী কনভেনর অরসাদ বাসৈময়ুমনা হায়- মৈতৈ অমসুং মৈতৈ পাঙল অনিগী মরক্তা লৈনরিবা ঈগী মরী চেৎশিনহন্দুনা অপুনবগী ৱাখল্লোনদা পুন্না লেপমিন্নদুনা ইমা লৈবাক্কীদমক থেংনবদা কনানসু লাকচবা ঙমলোই।

মহাকা হায়- মৈতৈ পাঙলশিংনা মমা লৈবাক্কীদমক লৌরক্লিবা থৌদাংশিং হেন্না পাকথোক চাউথোকা মাঙলোমদা চৎখৎনবগীদমক ইং কুমজা ২০১৯ গী নবেম্বরদা মাইপাক নিংথৌ কমিতিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা সেমিনার অমনা চহি খুদিংগী ইঙাগী ৭ নি পানবা নুমিৎতা মৈতৈ পাঙলশিংবু শাগৈ পীদুনা খুন্থোকহনখিবা নুমিৎনি হায়না পালন তৌনবা লেপখিবনি।

ঙসিগী পালন থৌরম অসি মাইপাক নিংথৌ কমিতি অমদি প্রোগ্রেসিপ য়ুথ কম্যুনিতি অনিনা পুন্না শিনবনি। থৌরমদুদা অমেস্কো, পাঙল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যার ওর্গনাইজেসন, ওল মণিপুর মৈতৈ পাঙল ক্লবস ওর্গনাইজেসন্নচিংবগী প্রসিদেন্টশিংসু শরুক য়াখি।

পুলিস (এল)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং বি.এস.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক হিয়াংলম নাতেকখোং অমসুং খোইদুম এরিয়াদা থি হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়- ঙসি অয়ুক পুং ৬ মখায়দগী পুং ৮ মিনিত ১৫ ফাওবা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং বি.এস.এফকী ১২৬ শুবা বত্তাল্লিয়নগী অপ্নবা কাংবু অমনা য়ুম ৫০ রোমদা থি হুম্বগী থবক চথখি অমসুং মীওই ১২০ লোম ভেরিফিকেসন তৌখি। খোইদুম মমাং লৈকাইগী ইন্তর ভিলেজ রোড মনাক্তগী তোঙান তোঙানবা খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎখি। মদুগী মনুংদা কন্ত্রি মেদ পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ মঙা, ট্যুব লোঞ্চিং মঙা, মেগজিন অমসুং মরু ১০ য়াওবা করবাইন অমা, টিয়ার স্মোক সেল ৮, স্মোক গ্রেনেদ অমা অমসুং ৱায়ারলেস সেট অমা য়াওরি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদু মখা তাবা থবক লৌখৎনবা হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলস অমসুং মণিপুর পুলিসনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী থৌবাল জিলাগী ৱাইথৌদা থি হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা- সিঙ্গল বোর বেরেল ১, তুয়েল্ব বোর বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, নাইন এম.এম-সি.এম.জি অমা য়াওরি। ফাগৎলপা খুৎলায়শিং অদু মণিপুর পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে।

হেলথ (এল)ঃ রাষ্ট্রিয়া কিশ্বর স্বাথিয়া কারিয়াক্রম (আর.কে.এস.কে)-এদোলেসেন্ট হেলথকী মখাদা ঙসি এদোলেসেন্ট হেলথ ডেগী থৌরম পেবিয়া পন্দিৎ লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোল, ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইরৈকাই পুখৎ লুপ (ইপুল) পেবিয়া পন্দিৎ লৈকাইনা পুন্না শিনবনি। মদুদা নুপীমচা ২৬ অমসুং নুপামচা ২৪ শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা থাগী খোংকাপ, লৌনগনদবা লায়না, নিশা চারগা মাংথরকপা অমদি মচি ওইবা চীঞ্জাক য়াওনা তোঙান তোঙানবা হকশেলগা মরী লৈনবা হিরম কয়াদা তাকপী তন্বীখি।

রেড ক্রোস (এল)ঃ   থৌবাল জিলাদা, রিএল রিকোভরি হোম, থৌবাল ৱাংম তাবা অমসুং ব্রাইট ফাউন্দেসন স্কুল থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাইদা ঙসি ফার্ষ্ট এইদ পীবগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরমশিং অদু মেকলিলান ইজ্‌কেসন ইন্দিয়া প্রাইভেট লিমিতেদকী থৌশিল মখাদা ইন্‌দয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা শিনবনি। মহেরোই কয়ানা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা  ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী অখণ্ড অহৈশিংনা খুদক্কী অশোক অপন, মৈহৌ লাংপোক অমদি মহৌশানা থোকহল্লকপা খুদোংথিবশিংদা খুদক্কী ওইনা করি থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বদু তাকপী তন্বীখি।

শ্যামা প্রসাদ ঃ   ভারতিয়া জন সংঘ লিংখৎলম্বা ডাঃ শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিনা লৈখিদবগী কুমওন নুমিৎতা ঙসি মণিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিদা ইকায় খুমবা উৎলদুনা হায়- ডাঃ শ্যামা প্রসাদ মুখর্জি অসি মীয়ামা খ্বাইদগী ইকায় খুমবা ষ্টেটসমেন অমনি অমসুং থোইদোক হেন্দোকপা ইজ্‌কেসনিষ্ট অমনি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন সিংহনা হায়- ডাঃ শ্যামা প্রসাদ মুখর্জি অসি লৈবাক্কী অপুনবা অমসুং অপুনবা শক্তম হেন্না চেৎশিনহন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা ভারতিয়া জন সংঘ লিংখৎলম্বা নেসনেলিষ্ট অমনি।

নুমিৎসিগা মরী লৈননা ষ্টেট বি.জে.পি ওফিস থম্বাল শঙলেন ইম্ফালদা ডাঃ শ্যামা প্রসাদ মুখর্জি রিমেম্ব্রেন্স অভিয়ান পাঙথোকখি। বি.জে.পি হৈঙাং মন্দল অমদি মণিপুর সরকারগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা পুন্না শিন্দুনা লুৱাংশংবম ময়াই লৈকাই পুখ্রি অচৌবা মপালদা উ থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট জে.পি নদ্দানা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। শ্রী নদ্দানা নিউ দিল্লিগী বি.জে.পি হেদক্বাটরসতা উ চারাশিংসু য়েন্থোকখি। পাউমীশিংদা শ্রী নদ্দানা হায়- লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসি হিরম কয়া থোকা থোইদোকা হৈথোই শিংথোইবা মীশকি। মহাক মপুন্সি চুপ্পা মরৈবাক নীংবা মীশক অমা, ইজ্‌কেসনিষ্ট অমসুং খুন্নাইদা অচুম্বা

পুরকবগী ৱাখল্লোন শন্দোকপা মীশক অমা ওইখি। ডাঃ শ্যামা প্রসাদ মুখর্জি ১৯৫৩ গী জন্ ২৩ দা মশাগী চহি ৫১ শুবা শ্রীনাগরদা লৈখিদবনি।

সেমিনার (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী মিমস কনফরেন্স হোলদা নুমিৎ নিনি চুপা চত্থরকপা পোকপদগী শিবা ফাওবগী থৌরমশিংদা হোংলক্লিবা মচৎ অমদি মসিনা খুন্নাইগী শেনমিৎলোনদা পীরিবা চৈথেং হায়বা ৱার্কসোপ অমা ঙসি লোইশিনখ্রে। ওর্গনাইজিং কমিতি নুমিৎ নিনিগী খন্ন-নৈনবা মীফম ইম্ফালনা শিন্দুনা ঙরাংদগী চত্থরকপা ৱার্কসোপ অদু লোইশিনবদা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়ামরুম লৌখি।

সংসদ ঃ ১৮ শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফম হয়েংদগী হৌরগনি। মীফম অসিদা নৌনা সদস্য ওহনা কারক্লবশিং ৱাশক লৌগনি। প্রোটেম স্পিকর ওইনা হাপ্পবা বি.জে.পিগী সেনিয়র এম.পি- ভরত্রুহরি মহাতবনা নৌনা সদস্য ওইরক্লবশিং অসিবু ৱাশক লৌগনি। অনৌবা লোক সভাগী অধ্যক্ষ থা অসিগী ২৬ তা খনগনি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা থা অসিগী ২৭ তা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী অপুনবা মীফমদা ৱা ঙাংগনি। রাজ্য সভাগী মীফমা থা অসিগী ২৭ তগী হৌগনি। সংসদকী মীফম অসি মথং থাগী ৩ দা লোইশিনগনি।

সংসদকী মীফমগী মাংওইননা অকাশবানিগী নিউজ সার্ভিসেস দিভিজন্না শিন্দুনা ঙসি নুমিদাং অখন্নবা খন্ন-নৈনবগী থৌরমশিং ইসুজ বিফোর পার্লিয়ামেন্ট অমসুং সংসদ কে সংমক্স মুদে শন্দোক্কনি। ইসুজ বিফোর পার্লিয়ামেন্ট থৌরমনা অকাশবানি রেনবো অমসুং এদ্দিসনেল ফ্রিক্যুন্সিশিং অমদি সংসদ কে সংমক্স মুদেনা অকাশবানি গোল্ড অমসুং এদ্দিসনেল ফ্রিক্যুন্সিশিংদা অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৯ মখায়দগী ১০ ফাওবা তাবা ফংগনি।

সিবিআই ঃ নিট য়ু.জি. একজামিনেসনদা ক্বেসন লিক ওইখি হায়বগী মতাংদা সি.বি.আইনা এফ.আই.আর অমা রেজিষ্টর তৌদুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

সি.বি.আইগী পাউনা হায়- শিক্ষা মন্ত্রালয়গী দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র ইজ্কেসনগী দাইরেক্তরনা থাংগৎলকপা ৱাকৎ অমদা এফ.আই.আর অদু

রেজিষ্টর তৌখিবনি। ৰাথোক অদু থিজিন্নবা সি.বি.আইনা স্পেসিয়েল টিমশিং শেমখ্রে। সি.বি.আইগী স্পেসিয়েল টিমশিং অদু পাটনা অমসুং গোধরাদা থারগনি। মফম অদুগী পুলিসনা হান্ননা কেসশিং রেজিষ্টর তৌখ্রবনি। এফ.আই.আর অদুনা হায়- নিট য়ু.জি ২০২৪ গী পরিক্ষা অদু নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা মমাং থাগী ৫ দা শিনখি অমসুং কেন্দিদেট লাখ ২৩ হেনবনা শরুক য়াখি। ৰাকৎ অদুনা মখা তানা হায়- পরিক্ষা অদু পাংথোক্লিঙৈদা রাজ্য খরদা থৌদোক খরা থোকখি।

শিক্ষা মন্ত্রালয়না সি.বি.আইদা অশোইবা অরানবা লৈরে হায়রিবশিং অদু মমুৎ তানা থিজিন্নবা হায়জখি। মদুগী মনুংদা লৌতুনবা, নমথাক তৌবা, মহুৎ শিন্দুনা পরিক্ষা থাবা, থাজবা মাংহনবা অমসুং কেন্দিদেটশিং, ইন্সটিট্যুটশিং অমসুং মিদলমেনশিংনা অরানবা তৌনবা হোৎনবা য়াওনা প্রমান ওইগদবা মচাকশিং মাংহনখিবগী ৰাফম য়াওরি। মন্ত্রালয়না সি.বি.আইদা পরিক্ষা অদু শিনবদা য়াওরুবা সরকারগী মীওইশিংনা লৌখিবা থৌদাংগী মতাংদসু থিজিনবীনবা হায়জখি।

মরক অসিদা, নিট য়ু.জি. একজামিনেসনদা গ্রেস নত্রগা কম্পেনসেটরি মার্ক ফংখ্রবা কেন্দিদেট লিশিং ১,৫৬৩ ঙসি অমুক হন্না পরিক্ষা থাহনখ্রে। নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা হায়- এজেন্সি অসিগী হাই পৱার কমিতিনা হায়রিবা কেন্দিদেটশিং অসিদা পীখিবা গ্রেস নত্রগা কম্পেনসেটরি মার্কশিং অদু হন্দোক্লে হায়বগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহল্লকপা মতুংইন্না ঙসি অমুক হন্না পরিক্ষা শিনবনি। ঙসিগী পরিক্ষা অসি য়াওনিংদবা কেন্দিদেটশিংগী ওইনদি মমাং থাগী মঙাদা পাঙথোকখিবা পরিক্ষাদা মখোয়না ফংখিবা মার্ক অদুগী মতুংইন্না মখোয়গী পরিক্ষা ফল লাউথোক্কনি।

ৱিদো (এল)ঃ ৱিদোজ এন্দ ওর্ফান রিছোর্স দিভলপমেন্ট ট্রষ্ট ঘরি অৱাং লৈকাই ইম্ফালগী থৌশিল মখাদা খোংজোম পাপাল মৈরাপায়বী লুপনা শিন্দুনা থৌবাল জিলাগী খোংজোম পাপাল লাইবুং কম্যুনিতি হোলদা লুখ্রাবীশিংদা চেং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মখোয়সু হিংহনশি হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা পাঙথোকপনি।

ডে (এল)ঃ  তমেংলোং জিলাদা মালেমগী লুখ্রাবীশিংগী নুমিৎ, ২০২৪ অমসুং ভেকেসন বাইবল স্কুল (ভি.বি.এস) তমেংলোং বেপটিষ্ট চৰ্চতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লুখ্রাবীশিংগীদমক অখন্নবা লাইশোল সভা পাঙথোকখি অমসুং ভি.বি.এসকী মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া উৎখি।

নোনে জিলাদসু নুমিৎ ৭ নি চুপা চথরকপা ভেকেসন বাইবল স্কুল ঙসি লোইশিনখ্রে। লোংমাই পার্ট ফোর বেপটিষ্ট চর্চ নোনেনা শিন্দুনা লোংমাই পার্ট ফোর পিছ লেন্দদা পাঙথোকখিবা ভি.বি.এস অদুদা মহৈরোই ২২০ হেনবনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, হন্দক ক্লাস টেন অমসুং ক্লাস তুয়েল্ব পাস তৌরক্লবা মহৈরোইশিং তরামা ওকপা অমসুং মখোয়দা অশির্বাদ পীবগী থৌরম অমসু লোংমাই পার্ট ৱান বেপটিষ্ট চর্চতা পাঙথোকখি। থৌরম অদু লোংমাই চর্চেস ফেলোসিপ অমসুং লোংমাই ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না পুন্না শিনবনি।

এৱার্দ (এল)ঃ  রিজনেল পাসপোর্ট ওফিস গুৱাহাতিদা পাসপোর্ট সেবা পুরুস্কার পীরক্লে। মনা অসি ঙরাং নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা চহিগী ওইবা রিজনেল পাসপোর্ট ওফিসারশিংগী মীফমদা পীরকপনি। মনা অসি রিজনেল পাসপোর্ট ওফিসার চেরাপুং জেলিয়াংদা কেন্দ্রগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি কৃতি বরধন সিংহনা খুৎশিন্নরকপনি। রিজনেল পাসপোর্ট ওফিস গুৱাহাতি অসিদা অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, মণিপুর, মেঘালয়, মিজোরম অমসুং নাগালেন্দ কোনশিল্লি।

------